# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 40, Issue No.234 | নোংমাইজিং, হিয়াঙ্গৈ ২৮ নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, November 27, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


ভুবোন টেক্নিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদনা শীন্দুনা নেসনল স্কিল দিভলপমেন্ট কোর্পো-রেসনগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপা স্কিল দিভ-লপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম



এইমসতা লায়েংদুনা লৈরিবা কাইরেনবিখোক অমসুং উয়ালদা লৈবা অনাবা অনীগী পূন্সি কন্ননবগীদমক সোসল ৱারিয়র্স মণিপুর দিল্লি য়ুনিটনা শীন্দুনা লেম্না ঈ কৎপগী থাগৎপা ফোঙবা



ক্যুবাগী লুচিংবা ফিদেল কেষ্ট্রো লৈখিদবদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী লুচিংবশিংনা অৱাবা ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকপগী শক্তম



ক্লাসিক হোটেল ইম্ফালদা দেটা বাস্কেটনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা স্মার্ট হোটেল সোফ্টৱ্যের হায়না খঙনবা সোফ্টৱ্যের টেক্নোলোজিগী সিষ্টেম পুথোকপগী থৌরম



## থাউ ফংহনদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ : মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা হয়েং মীয়ামদা পেট্রোল অমসুং দিজল ফংহন্নবা থৌরাং তৌরি। পেট্রোল ফংহনগদবা পম্পশিং অদুদি, এস মনি ফিলিং ষ্টেসন (ককচীং), টি ঐচ সোরোজিনি দেবী (খাঙবোক), কহ্নাই এন্দ সন্স (থৌবাল), থোকচোম কে এস কে (হৈরোক), লৈশাংথেম কে এস কে (লৈশাংথেম), য়ুম্নাম ওইল সার্ভিস (ৱাবগাই), নম্বোল সার্ভিস ষ্টেসন, মোটোর ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## লাতম পুথোকচদ্রে

ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইরদুনা চে পুশিল্লকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্নবদগী লাতমগী ইস্যু পুথোকচখিদ্রে।

*-হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*

**গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি**

*গ্যাস এজেন্সীশিংনা গ্যাস য়েনবগী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।*

## HL POLL

**Q : UNC gi President Gaidon Kamei police na faraga Economic Blockade loisinhanba ngamgadra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Demonetisationgi mayokta Congress Party na changsilliba khongjang asi maram chai haina khanbra?**

Yes 25% No 75%

## অস! লোইরেহে!

ইমা চীংদা লাম্মৈ চাক্লে...!



লাম্মৈ চাকপা ওইরল্লোই, গাড়ী মৈ থাবা ওইরমনি...!

# ব্লোকেদ তৌবদা চেন্নবা য়ু এন সীগী লুচিংবশিংগী মথক্তা লোগী থবক লৌখৎকনি : ওক্রম ইবোবী

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস):

ইকনমিক ব্লোকেদ চথদুনা মীচম মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী লুচিংবশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

পৱার গ্রিদ কোওপরেসন্না ষ্টেট হেল্‌থ দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নরকখিবা এম্বুলেন্স ১১ কংলাদগী লমথাবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরগা পাউমীশিংগা মীৎকুপ খরা ৱারী শানবদা মহাক্না হায়খি, ব্লোকেদ থেংননবা পুলিস ফোর্সকী অৱাৎপা লৈতে। তৌবদদি খুন্নাইগী মায়োক্তা থবক তৌবা খরনা নুপী-অঙাং খরদা ইনশিল্লগা মশানা য়ানিংদনা লম্বীদা থোরক্লগা প্রোটেষ্ট তৌহল্লক্কনি। পুলিসনা মথৌ পাঙথোক্লনবা হোৎনবদা মীচম মীয়ামশিং অদুবু ফূ-চৈবা তৌরকপদা হ্যুমেন প্রোব্লেম ওইরক্কনি



খনবদগী ফোর্স শীজিন্নদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, নোংজু থা ওইখ্রবদি খঙদ্রে, অতৈ মতম-শিংদদি ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা ষ্টেটকী তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুশিন্ননবা সেন্টরগা খুৎশম্নদুনা অকনবা থবক লৌখৎপা হৌরে। ঙরাংসু পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং য়াওনা গাড়ী ৫০০ রোম লম্বী অসিদা চঙলকখি। সেন্টর গভর্ণমেন্টকা ষ্টেটকা তান্নরগা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অসিসু অথুবা মতমদা হাংদোক্লনবা হোৎনরি। লম কয়ামরুমদা লৈঙাক্না মীয়ামগী খুদোংচাদবশিং কোকহন্ননবা থৌরাং তৌরি।

মণিপুর পুলিসনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী লুচিংবা গাইদোন কামৈ ফাবগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মহাক্কী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে। মসিদি মশানা তারবা ৱাফমনি। মখোয়না তৌখিবা থবক্কী ফল মখোয়না ফংবা তাবনি। মহাক্তসু নৎতনা মণিপুরগী মীচম মীয়ামদা অৱা-চৈথেং পীরিবা অতৈ মীওইশিংগী মথক্তসু লোগী ওইবা থবক লৌখৎননবা থৌরাং তৌরে।

পাউমীশিংগা উনদ্রিঙৈগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টরনা এম্বুলেন্স ১১ অদু লমথাখি। এম্বুলেন্সশিং অদুদা অথু-অকায়গী অনা-লায়েং অমসুং খুদক্কী ওইনা মীওইবগী পূন্সি কনবা য়াবা পোৎলম কয়ামরুম য়াওরি। এম্বুলেন্সশিং অসি চীংগী অমদি অরাপ্পা মফম কয়াগী য়াওরি। পি ঐচ সী খৌপুম, পি ঐচ সী ওইনামলোং, পি সী ঐচ নুংবা, পি ঐচ সী নোনে, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, তমেংলোং, পি ঐচ সী তেংনৌপল, পি ঐচ সী তদুবী, পি ঐচ সী খুম্বোং, সব-দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল জিরিবাম, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবাল অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরগী শীজিন্ননবা এম্বুলেন্সশিং অসি ঙসি কংলাদগী লমথারবা মতুংদা মফম-মফমশিংদা থৌনখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, হেল্‌থ মিনিষ্টর দি কোরুংথাং, চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বর, কম্মিসনর পৱার বিনিট যোসি, কম্মিসনর হেল্‌থ পি কে সিংহ অমদি পৱার গ্রিদ কোওপরেসনগী ওফিসল কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

# ক্যুবান রেভল্যুসনরি ফিদেল কেষ্ট্রো লৈখিদ্রে



হভানা, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : মালেমগী সুপর পাৱর ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খ্বাইদগী তমথীবা য়েক্নবা ওইখিবা ক্যুবাগী রেভল্যুসনরি লুচিংবা ফিদেল কেষ্ট্রো লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৯০ শুখ্রে।

কুমজা ১৯৫৯ দা কোল্ড ৱারবু নোংচুপ থংবা হেমিস্ফিয়রদা পুশিনখিবা অমসুং মদুগী তুংদা চহী ৫০ রোম ক্যুবাগী লুচিংবা অমা ওইরকখিবা ফিদেল কেষ্ট্রো হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০.২৯ (লোকেল মতম) তাবদা মহাক্কী ময়াম্বা লৈখিদ্রে হায়না কেষ্ট্রোগী মনাওনুপা ক্যুবাগী প্রসিদেন্ট রাউল কেষ্ট্রোনা খোঞ্জেল নিক্না ষ্টেট টেলিভিজনদা লাউথোকখি।

ফিদেল কেষ্ট্রোগীদমক্তা নুমিৎ ৯ নি চূপ্না লৈবাক পুম্বনা অৱাবা ফোঙদোক্কনি অমসুং মহাক্কী উৎশিং দিসেম্বর ৪ দা সেন্তিয়াগো দি ক্যুবাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লৈরোল চনগনি হায়না ক্যুবানা ঙসি লাউথোকখ্রে। নবেম্বর ২৬ তগী দিসেম্বর ৪ ফাওবা 'পব্লিক এক্টিভিটিশিং অমসুং সোশিং লেপকনি, লৈবাক্কী ফিরাল পব্লিক বিল্ডিংশিং অমসুং মিলিটরি ইন্সটোলেসনশিংদা তঙ্খায় চিংথদুনা পাইহনগনি' হায়না ইগজিক্যুটিবকী ৱারোল অমনা হায়খি।

২০শুবা চহীচাগী অনীশুবা তঙ্খায়দা মালেমদা মশক নাইবা অচৌবা মী অমা ওইখিবা কেষ্ট্রোনা সোভিয়েট কম্যুনিজম কায়রবা মতুংদসু ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## জেনিমসতা গ্রেনেদ ১ লৈরম্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬(ঐচ এন এস):

জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) গী ও পি দিগী কৈরাক কাফমদা ঙসি অয়ুক পুং ১১.২০ লোম তাবদা চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্লে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, হেন্দ গ্রেনেদ অদু অমুবা মচুগী পোলিথিন খাউ অমদা য়াওরগা লৈরম্বদু লায়েংবা লাকপশিংনা থেংনরকপনি। বোম অদু কে সী পি পোইরৈ মীতৈ লূপনা থল্লম্বা ওইগনি হায়না থাজনরি।

মফম অদুদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, পুলিসকী বোম এক্সপার্ট অমসুং রিমসকী দিরেক্তর ডা. এল দেবেন্নচিংবা লাক্তুনা য়েংশিনখি। মতুংদা পুলিসনা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা বোম অদু লৌথোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা জেনিমসকী দিরেক্তর ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## সলাম তোম্বা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস):

অইবা, অইবীশিংবু পূক্লিং থৌগৎপগী শরুক অমা ওইনা নোংমাইজিং খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা লাইরিক ১০০ নৈনরগা পাউচে অসিদা ফোঙখিবগীদমক পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা কলম্নিষ্ট সলাম তোম্ববু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হুইয়েন লানপাউগী লিটরেরী হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শক্লাইরবা অইবা প্রো. যোধচন্দ্র সনসম, অইবা অমসুং পাউচে অসিগী কলম্নিষ্ট ওইরিবা নবকুমার ওইনা অমসুং সৌবাম তোম্বা লুৱাংনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পাউচে অসিগী কলম্নিষ্ট সলাম তোম্বনা পাউচে অসিদা লাইরিক ১০০ নৈনদুনা অইবশিংগী ৱাখল্লোন মীয়ামদা খঙহনববু পূক্লিং থৌগৎতুনা পাউচে অসিগী মায়কৈদগী খুদোলপোৎ কয়াসু তমখি।

ওকপগী থৌরম অদুদা অইবা সলাম তোম্বনা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী মার্চ ৩০ দগী পাউচে অসিদা লাইরিক নৈনবগী কলম অসি ইবিনবা হায়রকপদগী লেপ্তুনা ঙসি ফাওবা তোঙান-তোঙানবা লাইরিক ১০০ গী মপাউ মীয়ামদা তমদুনা লাক্লি।

থৌরম অদুদা সলাম তোম্বনা হায়খিবদা, অইবশিংগী লাইরিক নৈনদুনা মীয়ামদা পাবা ফংহনখিবা অদু খল্লুরগা পুক্লিং নুংশিবা অমদি হরাউবা ফাওই। পুন্নমক অসিগী তৌবীমলদি পাউচে অসিবু পুথোকপদা শরুক য়ারিবা ষ্টাফশিংদা পীজনিংই। কলম অসি পায়রক-পদগী লাইরিক পাবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়নননা ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## এম্বুশতা স্পেসল ফোর্সকী পার্সনেল ৫ শোক্লে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএন এস):

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শজিক তম্পাক্কা নক্ননা লৈবা আইসি অমসুং খুনমুলেন্দ অনীগী মরক্তা পি এল এগী কাদরশিংনা এম্বুশ তৌরকপদা ২১-এ আরদা এটেচ তৌবা ইন্দিয়ন আর্মিগী স্পেসল ফোর্স (২১-পেরা রেজিমেন্ট) কী পার্সনেল ৫ শোক্লে।

থাজবা য়াবা মফমগী ফংবা ছোর্সকী মতুংইন্না, এম্বুশ অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯.৫০ রোম তারকপদা চথুরকখিবনি। পার্সনেলশিং অদুনা মহৌশাগুম পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা আই ঈ দি অমা পোকখায়হল্লবা তুংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা মশা ঙাকথোকচনবা লান্মীনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপখি।

শোক্লবা পার্সনেলশিং অদু ২১ শুবা পেরা রেজিমেন্টকী দি কোইগী নাইক সুবেদার বলৱান সিংহ জে সী নম্বর ৪১৪ ০২৩, নাইক এন এ রাকেশ থাকুর নম্বর ৫১৪৩০৩৩০, লেন্স নাইক বিক্রম সলুনকিনম্বর ৪৩৭১৯০২, লেন্স নাইক দল্লিয়ু লোৱোং নম্বর ১৬০২৫২৫১ অমদি পার্সনেল পঙ্কজ কৌই। য়াম্না অরুবা ফীভমদা শোক্তবনা পার্সনেলশিংদু মফম অদুদা লৈবা য়ুনিট হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (অল্ফা-ইন্দিপেন্দেন্ট)গী এসিস্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি কেপ্টেন অরুনুদোই অসোমনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা এম্বুশ অদু ৱেসিয়াগী লমদমদা নেসনল লিবরেসন মুভমেন্টকী খোঙজং ওইনা চথুবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি।

কোরকোম অমসুং য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ৱেসিয়া (য়ু এন এল এফ দল্লিয়ু)গা খুৎশম্নরগা য়েক্লবা ওইরিবা ইন্দিয়ন আর্মিগী মথক্তা চথুখিবনি। পি এল এগী ২৫২ বট্টালিয়নগী পার্সনেলশিংনা চথুখিবা এটেক অদুদা ইন্দিয়ন আর্মিগী পার্সনেল ৫ ...মখা লামায় ৩ কলম৫





